**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফম পাঙথোক্কুনা শান্তি হঞ্জিল্লকবা খন্নখ্রে।

২) উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- ঈশ্বর মণিপুরগীদমক ফজরবা মহৌশাগী খুদোল কয়া পীবীরম্লবসু, লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা শান্তি ওইনা কমদৌনা হিংগদগে হায়বসি খঙদ্রি।

৩) এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর পিতর শলামনা হায়রি- মোইরাং লমখায়দা ঙরাং মীয়ামা হার ফাখিবগী থৌদোক অদুগা দিপার্টমেন্ট অসিগা মরী অমত্তা লৈনদে।

৪) ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়রি- দিপার্টমেন্ট অসিনা মৈহৌ লাংপোক খক্তা নত্তনা ঈশিং ঈচাউ অমদি মহৌশাগী অৰাবা থৌদোক কয়াদা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাক্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি সিক্কিমগী গেংতোক্তা থুংখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা এন.দি.এদা য়াওরিবা এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খন্নখ্রে।

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী লৈঙাক সাসনদা অরুবা কয়া মায়োকরিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্ননবসু খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎনবা অমদি মখোয়বু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মীয়ামগীদমক খনদুনা থবক তৌরিবা মহাক্কী সরকারগী ৱাখল্লোনশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকবা অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা চাওখৎপগী মহাও নিংথিনা ফংহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ফেল্লোসিপ (এল) ঃ উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- ঈশ্বর মণিপুরগীদমক ফজরবা মহৌশাগী খুদোল কয়া পীবীরম্লবসু, লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা শান্তি ওইনা কমদৌনা হিংগদগে হায়বসি খঙদে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী মিনিষ্টরস ব্লোক্তা ঙসি ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্টিং ২০২৬-২৭ কী ৭ শুবা ষ্টেট লেবেল মিদিয়া ফেল্লোসিপ লাউথোকপগী থৌরমদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়- ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা মিদিয়াশিংদা ফেল্লোসিপ পীদুনা ক্লাইমেত চেঞ্জগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা থবক থৌরমশিং লিশাং শিংনা পাঙথোক্লুনা লৈরম্বা অসি তশেংনা থাগৎনিঙাইনি। অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপনা অহোংবা কয়া থোরক্লুনা মীওইবা খুনাইদা চৈথেং কয়া পীরক্লি।

মহাকা হায়- মণিপুরদা সমস্য কয়া লৈরবসু মপুং ফানা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রি। মীওই পুমমক নোংমদি শিখিগদবা ঙাক্তনি হায়রদুনা শ্রী দিখোনা হায়- অমগা অমগা নুংশি চান্নবা হায়বসি খক্তনা ৱারোইশিন পুরকবগী পান্থে

ওইগনি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা খুনাইগী ওইবা সমস্য কয়া মায়োকরবসু লৈবাকশিং অদুগী মীয়ামা শান্তি ওইনা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌবদগী ইং চিকপা লমদম ওইরি। মণিপুরদা মীয়ামগী খোঙজং চংশিনবা অসি স্পোর্টস অমগুম তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। শান্তি পুরকবা হোৎনবদসু ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ঙসিগী মিদিয়া ফেল্লোসিপ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- পাউমীশিংনা ক্লাইমেত চেঞ্জগী লমদা থিজিন হুমজিল্লিবা সাইন্তিষ্ট, পোলিসি শেল্লিবা মীওইশিং অমসুং মীয়ামগগী মরক্তা পাউ ফাওনহনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। পাউমীশিংদা ক্লাইমেত চেঞ্জগী অখন্ননা মিদিয়া ফেল্লোসিপ পীবগী চৎনবী অসি অতৈ রাজ্যশিংদা তৌনদে। হৌজিক ফাওবদা ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা পাউমী ৪৮ দা ফেল্লোসিপ পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে অমসুং বিভাগ অসিনা মখা তানা পাউমীশিংগা খুৎশমরগা ক্লাইমেত চেঞ্জগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়নসু ডাঃ ব্রজকুমারনা ফোংদোকখি।

চহি অসিগী ওইনা মিদিয়া ফেল্লোসিপ পীনবা খল্লবা পাউমীশিং অদুগী মনুংদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল নিউজ য়ুনিটতা দেক্স এদিটর ওইনা লৈরিবা ক্ষেত্রিময়ুম বিরোস, খাঙেম্বম জেমস অমদি ঐখোয়গী চান্দেল পাউমী জিরে মোয়োন য়াওরি।

রিমস (এল) ঃ হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা পাঙথোকখ্রে। কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়গী মখাদা চহি ১৪ গী মখাদা লৈবা নুপীমচাশিংদা ঐচ.পি.ভি ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অদু রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা দিরেক্তর জি. শুনিল কুমারনা হায়- মপুং ওইনা চহি ৯ দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং নুপীমচাশিংদা দোজ অমুখক্তদা তিকা থাদোকপা অসিনা মখোয়দা সরভিকেল কেন্সরদগী

ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইগনি। থৌরম অদুদা রিমসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং, ফেকলতি মেম্বরশিং, নর্সশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

এগ্রি (এল) ঃ রাজ্যগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর পিতর শলামনা হায়রি- মোইরাং লমখায়দা ঙরাং মীয়ামা হার ফাবগী থৌদোক অদুদা হার পুরক্লিবা কাংবু অদুগা দিপার্টমেন্ট অসিগা মরী অমত্তা লৈনদে।

ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী পিতরনা হায়- ঙরাংগী হারশিং অদু দাইমন্দ হায়রগসু খঙনবা দি.এ.পি ঙাক্তনি। ক্বাক্তা লৈবা এগ্রো টেক সোলুসন কৌবা লনাই ফার্ম অমনা বিহারদা লৈবা হারগী কম্পনি অমদগী চিংলকপনি। ফার্ম অমসুং কম্পনি অদুগী মথক্তা এফ.আই.আর চনদুনা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলগনি।

ফয়ার (এল) ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্ট দিরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়রি- ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা মৈহৌ লাংপোক খক্তা নত্তনা ঈশিং ঈচাউ অমদি মহৌশাগী অৱাবা থৌদোক কয়াদা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাক্লি।

মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা, ফয়ার সার্ভিস ৱিক ২০২৬ কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রচনা ইৱা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী নবাচন্দ্রনা হায়- দিপার্টমেন্ট অসিদা নৌনা চংলকপা মীওইশিংদা ত্রেনিং পীবদা কান্নগদবা খুৎশু খুৎলায় অমদি মচাক মথুমশিং থল্লে। মসিগীদমক ফমুং ৫০ লৈগদবা হোল অমসু শাবা লোইরে। দিপার্টমেন্ট অসিগী মীওই খরা জাতিগী থাক্তা মীয়ামা শকখঙনরবা নেসনেল ফয়ার সার্ভিস কলেজদা থাদুনা ত্রেনিং পীরি। দিপার্টমেন্ট অসিদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা শিজিন্নগদবা অনৌবা খুৎশু খুৎলায় খরসু হাপচিনবা ঙমলে।

সেনাপতি (এল) ঃ রেজিং এন্দ এসিলেরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্সকী প্রোগ্রামগী মতাংদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী কন্সলটেতিভ মীফম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী মাও পৌমাই কেথোলিক ৱিমেন হোলদা

পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইনষ্ট্রিজ এন্দ কর্ম্মস সেনাপতিনা এম.এস.এম.ই হেলথ ক্লিনিক মণিপুরগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা, খুনাইগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা এম.এস.এম.ইনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিং, ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসন, ওন্তরপ্রেন্যুর অমসুং এন.জি.ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

ফেজোল (এল)ঃ চহি নৌরিবা মহৈরোইশিংদা নিশাগী পোৎলম শিজিন্নবা হন্থহন্নবগী পান্দমদা ফেরজোল জিলাদা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস, ফেরজোলনা শিন্দুনা এন্তি ড্রগ এৱারনেস দ্রাইভ চথখ্রে। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংদা পোষ্টর কেম্পেনশিং পাঙথোকখি। মসিগা চপ মান্নবা থৌরম অমসু পারবুং ভিলেজদসু পাঙথোকখি। থৌরমশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

শিন্মী (এল) ঃ শিন্মীগী নুমিৎ নকশিল্লকপগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা শিন্মীশিংদা মতেং পাংবগী অচন্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। য়ুনাইতেদ লেবর ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা পৌরাবীদা চেক্কী য়ুম শারিবা মফম অমদা চংদুনা মদুদা থবক শুরন্বা শিন্মীশিংদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

এআর (এল) ঃ তেংনৌপল জিলাগী চোংজাংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা যোগ মশান্নগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পাউনা হায়- যোগগী কেম্প অদু ইন্তরনেসনেল যোগ ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি। মদুদা চোংজাং ইংলিস স্কুলগী মহৈরোই ৯০ হেনবনা শরুক য়াখি।

দেদ বোদি (এল) ঃ হৌখিবা থা অসিগী ১৮ গী নুংথিলদা চহি ৩৫ রোমগী লেং ওইগদবা নুপা অমা থঙ্গাল বজারগী বোরা গল্লিদা ৱান্থদুনা তাদুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী সিতি পুলিসকী কাংবুনা চংশিনদুনা মীওই অদু রিমস হোস্পিতালদা পুখৎখি। তুংদা মহাকপু য়েংলিবা ডোক্তরশিংনা মীওই অদু শিরে হায়না লাউথোরকখি। মীওই অদুগী অশিবা হকচাং রিমসকী মোর্গতা থল্লি। হয়েং ফাওবগী মনুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মওম পাঙথোক্লগনি হায়না সিতি পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

সিপিআই (এল) ঃ সি.পি.আই শিংজমৈ লোকেল কাউন্সিলগী ৫৮ শুবা কনফরেন্স ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.পি.আইগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকে দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। মফম খরদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎসু শিৎকনি।

মোদি ঃ সিক্কিমগী গেংতোক্তা ঙসি নুংথিল পাঙথোকপা রোড সো অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াখ্রে। শ্রী মোদিনা সিক্কিমগী মুখ্য মন্ত্রি প্রেম সিংহ তমাং অমসুং রাজ্যগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ট দি.আর. থপ্পাগা লোয়ননা লাকপদা লম্বীগী নাক য়েৎতা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখি। শ্রী মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা রাজ্য অদুদা ঙসি থুংখিবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং পলজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা সিক্কিমনা ষ্টেটহুদ ফংখিবগী ৫০ রক শুবা পালন থৌরমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৪ রোম চংনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা

ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কন্নেক্তিভিতি, হেলথ কেয়ার, ইজ্‌কেসন, পৱার, অরবান দিভলপমেন্ট, ইনভাইরোনমেন্ট, তুরিজম অমসুং এগ্রিকলচর সেক্তরশিং য়াওরি।

দ্রৌপদিঃ রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ মঙানি খোঙচত্তা ঙসি হিমাচল প্রদেশকী শিল্লাদা থুংখ্রে। রাষ্ট্রপতিবু রাজ্যপাল কভিন্দর গুপ্ত, মুখ্য মন্ত্রি সুখভিন্দর সিংহ সুখু, অধ্যক্ষ কুলদিপ সিংহ পথানিয়া, পঞ্চায়াতি রাজ মন্ত্রি অনিরুধ সিংহ অমসুং এম.পি. শুরেস কুমার কাস্যপ অমদি অতৈ সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা তরামা ওকখি।

রাষ্ট্রপতিনা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রোহতাংদা লৈবা অতল তনেলদা চত্তুনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসনগী ওফিসিয়েলশিংগা উনগনি। রাস্ত্রপতিনা শগোলশেল নুমিৎতা পলমপুরদা লৈবা চৌধুরি শরুৱনকুমার হিমাচল প্রদেশ ক্রসি বিস্বা বিদালায়গী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়াগনি। থৌরম অসি লোইরবা মতুং, শিল্লাদা লৈবা আর্মি ত্রেনিং কম্মান্দদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াগনি।

এৱার্দ ঃ লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিং তৌবগীদমক অঙাংশিংদা পীবা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কারগীদমক মীং পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ চহি অসিগী জ্লাই ৩১ ফাওবা ওইরগনি। মনা অসি ফংবদা মতিক চারবা চহি ৫ দগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ভারতমচাশিংনা নেসনেল এৱার্দ পোর্তেল- এৱার্দস দোট জি.ও.ভি দোট ইনদা মরী লৈনবা চে চাংশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

## হৌজিক শান্নবগী পাউ--

একাদমি ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ইন্দোর ক্রিকেট একাদমি অমা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ভারচুয়েল ওইনা শঙ্গারগনি। বি.সি.সি.আইগী শেন্থুং মখাদা শাবা

ক্রিকেট একাদমি অসি শঙ্গাবগী থৌরমদা ইন্তরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চেয়ারমেন জয় সাহ, বি.সি.সি.আইগী প্রসিদেন্ট মিথুন মনহাস, সেক্রেতরি দেবজিৎ সাইকিয়ানচিংবা শরুক য়াগনি।

বেজবোল ঃ মণিপুর এমেচর বেজ বোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নুপা অমসুং নুপীগী ষ্টেট সব-জ্নিয়র বেজবোল চেম্পিয়নসিপ মথং থাগী ১ অমসুং ২ দা লম্বোইখোঙনাংখোঙ মখোঙ গ্রাউন্দগী য়ুনাইতেদ ফ্রেন্দ লিটরেরি ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা ক্লবশিংনা এসোসিয়েসন অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরিদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

আই.পি.এলঃ ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটতা ঙসি নিউ দেল্লিগী অরুনজেৎলি স্তেদিয়মদা দেল্লি কেপিতেলসকা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা শান্নরি। রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুনা টোস ঙমদুনা দিল্লি কেপিটেলসপু হান্না বেত্তিং তৌহনলি।

সুত্তিং ঃ ইজিপকী কাইরোদা চথরিবা আই.এস.এস.এফ জ্নিয়র ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ তা ভারতকী সুত্তরনা সনাগী ৫, লুপাগী ৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না মেদল ১৫ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি।

------